## ওনলাইন ক্লাস লৌরিঙৈদা ওজা অমা হাৎখ্রে

গোনদা, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সী) : মশাগী ময়ুমদা ওনলাইনদা ক্লাস লৌরিঙৈদা মীওই অনী চঙলক্লগা ক্লাস লৌরিবা ওজা অদুবু হাৎতোক্লল্লে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা ওজা কৃষ্ণকুমার য়াদব য়ু পিগী গোনদাদা অশানবা কা অমদা লৈবনি। কা অদুদা মহাক্ন া ওনলাইনদা ক্লাস লৌরিঙৈদা খঙহৌদনা মীওই অনী চঙলকখি। মদুগী মতুং মীওই অনী অদুগা লৈখিদ্রবা ওজা অসিগা নিংঙাই শঙদানবগী থৌদোক থোকখি। মদুদা মীওই অনী অদুনা ওজা অদুবু তমথিবা মওংদা শিনবা ফুরমখিবনি। অদুম ওইনমক ওজা অদুনা মহাক্কী মোবাইলদা ক্লাস লৌরিঙৈ মতম ওইবনা থৌদোক অদু মহাক্কী মোবাইল ফোনদা রেকোর্দ তৌরমখিবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অনীমক পুলিসনা ফারে। ফারবা মীওই অনী অদুগী মমিং সন্দিপ য়াদব অমসুং জৱাহির মিশ্রা এলাইস জগা কৌই হায়রি।

## মথোল অহুম ৱাংবা ফিগী সোরুম মৈনা চাকখ্রে

মথুরা, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সী) : উট্টর প্রদেশকী মথুরা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মফম অমদা লৈবা ফিগী সোরুম অমা ঙরাং অমসুং ঙসিগী লোন্নবা অহিংদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী চাওনা অমাঙ অতা থোকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি মথুরা দিষ্ট্রিক্টকী কোটৱালি এরিয়াদা থোকখিবনি। মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মনাক নক্লা লৈবা মীওইশিংনা খুদক্তা ফায়র ব্রিগেদতা পাউ পীখি। খুদক্তা ফায়র টেন্দর ১০ রোম মফম অদুদা থুংলখিবগা লোয়ননা মৈ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখি। অদুবু ফি ঙাক্তগী সোরুম ওইবা মরমনা মৈ অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি হায়রি।

## য়ুনিয়ন বদজেট ২০২৩ ফাইনান্স মিনিষ্টরনা পুথোকখ্রে নুপী, মিদল ক্লাস ফেমিলিনচিংবদা অহেনবা মিৎয়েং থল্লি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সী) : ঙরাং লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা পার্লিয়ামেন্টগী হাউস অনীমক্কী ওইনা এদ্রেস পিরদুনা বদজেট সেসন হৌদোকখ্রবা মতুং ঙসি য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমননা য়ুনিয়ন বদজেট ২০২৩ পুথোকখিবগা লোয়ননা বদজেট অসিনা তোঙান তোঙানবা পোইন্ট ৭ তা অহেনবা মিৎয়েং থম্মী হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বদজেট পুথোকপগা মরী লৈননা ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমননা ফোঙদোকখিবদা কা হেন্না ইনকম চাওদবা মীওইশিংগী দাইরেক্ট অমসুং ইনদাইরেক্ট টেক্স লৌদনবা য়ুনিয়ন বদজেটনা ফিরেপ লৌখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিনা চহী অমদা টেক্স রেভিন্যু ক্রোর লিশিং ৩৫ রোম মাঙলবা য়ানা লৈ। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী মিদল ক্লাস ফেমিলি অমসুং লৱার ক্লাসশিংগী য়েংলগা য়ুনিয়ন বদজেট অসি শেমখিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা বদজেট অসিগী মতুংইন্না চহী অমদা লুপা লাখ ৩ গী মখাদা ইনকম লাকপশিংগী ওইনা টেক্স লৌরোই। লুপা লাখ ৩ দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা ইনকম লাকপশিংগী ওইনা চাদা ৫ টেক্স লৌগনি। লুপা লাখ ৬ অমদি ৯ ফাওবগী মনুংদা ইনকম লাকপশিংগী ওইনা চাদা ১০ টেক্স লৌগনি। লুপা লাখ ১২ দগী ১৫ ফাওবশিংগী ইনকম লাকপশিংনা চাদা ২০ অদুগা লুপা লাখ ১৫ গী মথক্তা ইনকম লাকপশিংনা চাদা ৩০ টেক্স লৌগনি। অমরোমদা, হান্না পোৎ চৈশিংদা লৌরম্বা টেক্সশিংদা অহোঙবা খরা লাকপনা মরম ওইরগা পোৎ চৈখরগী মমলনা তাঙখৎলগনি অদুগা খরনা হান্না ফংলম্বা মমলদগী হন্থনা ফংলগনি। টেক্স হেনগৎলকপদগী মমল তাঙখৎলক্কদবা পোৎলমশিংগী মনুংদা চুরুপ, সাইকল অমদি শান্নপোৎশিং, কার অমসুং ইলেক্ট্রিক ভেহিকলশিং য়াওরি। অদুগা মমল হন্থরক্কদবা পোৎলমশিংগী মনুংদনা দোমেষ্টিক ওইনা পুথোকচবা টিভি সেট, ঙা মচিঞ্জাক শেম্বদা শীজিন্নবা ফিশ লিপিদ ওইলনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, অনৌবা বদজেট অসিনা লৈবাক অসিগী নুপীশিংদা অহেনবা মিৎয়েংসু থল্লি। নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগীদমক বদজেট অসিদা তোঙান তোঙানবা পোইন্ট কয়া য়াওরি। ওপোজিসনদা লৈরিবশিংনা বদজেট অসি মপুং ফানা নৈনরবা মতুং ক্রিটিসাইজ তৌরকপা মতমদা তরাম্না ওক্কনি। অদুবু মপুং ফাদনা ক্রিটিসাইজ তৌবগী হৈনবীদি থাদোকসি হায়রি।



## টেরর চার্জকা মরী লৈননা জেলদা লৈরকখিবা কেরলাগী জর্নেলিষ্ট ঙসি থাদোক্লগনি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সী) : লালহৌবশিংগা মরী লৈনৈ অমদি লালহৌবশিংগী থবক থৌওং কয়াদা পাউতাক পীবগী থবক চঠে হায়বগী মরালদা পুলিসনা ফাজিন্দুনা জেলদা থল্লকখিবা কেরালাগী মমিং লৈরবা জর্নেলিষ্ট সিদিকি কাপন হয়েং জেলদগী থাদোক্লগনি হায়রি।


লক্ষনৌগী স্পিসল কোর্ট অমনা মহাক থাদোকপগী অয়াবদু ঙসি পীখিবনি। টেরর চার্জকা মরী লৈননা জর্নেলিষ্ট অসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কেস অনী চার্জ তৌরি। হায়রিবা কেসশিং অসিগী মায়োক্তা মহাক মমাঙ চহীগী অরোয়বা থাদা বেল ফংখিবনি। অদুম ওইনমক কোর্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লোয়শিন্দবনা মরম ওইরগা মহাক জেলদগী থাদোরক্তবনি। জেলদা মহাক্কী রিলিজ ওর্দর মতম চানা ফংদবনা বেল পীখ্রবসু জেলদা লৈরকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক হয়েং নুমিৎয়ুংবা মমাঙদা জেলদগী থাদোরক্লগনি হায়রি।

কাপন ঙরাং নুমিদাংৱাইরম জেলদগী থাদোরকপা য়াই হায়না মীয়াম্না পান্নরম্বনি। অদুম ওইনমক স্পিসল কোর্ট অসিদগী রিলিজ ওর্দর জেলদা মতম চানা য়ৌরক্তবনা মরম ওইরগা মহাক জেলদগী থাদোক্তনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি মহাক্কী মথৌ তাবা কোর্টকী থবক থৌরমশিং লোয়শিল্লবনা মরম ওইরগা হয়েংদি শোয়দনমক্কী থোরক্লগনি হায়না মহাক্কী লোয়রনা ফোঙদোরক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা সিদিকি কাপন পুলিসনা ফাখিবনি। মশাগী চহী ২০ লোম শুরবী নুপীমচা অমা গেং রেপ তৌদুনা হাৎখিবগী মায়োক্তা রিপোর্ট লৌনবগীদমক চৎপগী লম্বীদা মহাক ফাখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা মহাক্না মীয়ামদা চমম্নবশিং পোকহল্লে হায়বগী মরালদা পুলিসনা মহাকপু দিটেন তৌখিবনি। মদুগী মতুং ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা মনি লোন্দরিং কেসকা মরী লৈননা মহাক্কী মথক্তা কমপ্লেন ফাইল তৌরকখিবনি। ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না জর্নেলিষ্ট অসিনা লোনা অথিংবা থমখ্রবা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াদগী অরানবা মওংদা ফন্দিং কয়া লৌথরমখি হায়না মরাল শিরকপগা লোয়ননা লালহৌবগী থবক থৌরম কয়াদসু চেন্নৈ হায়না মরাল শিখিবনি।



## য়ুনিয়ন বদজেটকী মতাংদা ওপোজিসনশিংনা য়ানিংদবগী ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরক্লি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সী) : য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমননা ঙসি পার্লিয়ামেন্টদা য়ুনিয়ন বদজেট ২০২৩ পুথোকখ্রবা মতুং ওপোজিসনদা লৈরিবা এ এ পি অমদি কোংগ্রেসনচিংবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।



দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক্লা ঙসি লাউথোকখিবা য়ুনিয়ন বদজেট ২০২৩-২৪ মনুং ইহো হোবা কান্নদবা বদজেটনি। মসিনা লৈবাক অসিবু ইকনোমিগী থবক থৌরমশিংদা চাওখৎ মনিং হলহন্নবা অচৌবা মরম ওইরি। সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা মীয়ামদা অপঙবা শিনবা হোৎনরিবা অদু তৌরোয়দবনি হায়রি।

অমরোমদা, কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনসু বদজেট অদুগী মতাংদা সেন্টরবু হুন্দুনা ঙাংখ্রে।

## লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৬৬ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৬৬ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমত্তা শিহনখিদে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৬৬ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮২,৮৫০ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৭৫৮ দা হেনগৎলকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭৪০ লেংদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮১ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। মমাঙ চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি।



## এ পি সিংহনা ভাইস চীফ ওফ ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী চার্জ পুখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০১ (এজেন্সী) : পুং ৫০০০ হেনবগী ফ্লাইয়িং এক্সপরিএন্স লৈরবা এয়র মার্সেল এ পি সিংহ ঙসি ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ভাইস চীফ ওইনা চার্জ লৌখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

এয়র মার্সেল সন্দিপ সিংহ ঙরাং থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুং ঙসি মহাক্না ভাইস চীফকী চার্জ লৌখিবনি। ঙরাং থবক্তগী পোথাখ্রবা এয়র মার্সেল সন্দিপ সিংহ চহী ৩৯ হেন্না থবক তৌদুনা লাকখ্রবা মীওই অমনি। অমরোমদা, ঙসি ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ভাইস চীফ ওইনা জেইন্ট তৌখ্রবা এয়র মার্সেল এ পি সিংহ হৌখিবা কুমজা ১৯৮৪ গী দিসেম্বর ২১ দা নেসনল দিফেন্স কোলেজদা জোইন্ট তৌরকখিবনি। ওফিসর অসি মহাক্কী কেরিয়রদা পুং লিশিং ৫ গী মথক্তা ফ্লাইয়িং এক্সপরিএন্স লৈরিবা মীওই অমনি। তোঙান তোঙানবা ওপরেসনল ফাইটর স্কৱাদ্রোন অমসুং ফ্রন্টলাইন এয়রবেজশিংদা ওফিসর অসি মতম শাংনা কম্মান্দ তৌদুনা লাকখ্রবা মীওইনি। মহাক হান্না সাউথ ৱেষ্টর্ন এয়র কম্মান্দগী য়াম্না মরুওইবা পোষ্ট ওইরিবা সিনিয়র এয়র ষ্টাফকী থৌ পুরকখ্রে। মহাক্না ঙসি ভাইস চীফকী ফম পায়দ্রিঙৈদা সেন্ট্রেল এয়র কম্মান্দদা মহাক এয়র ওফিসর কম্মানিদং চীফ ওইনা লৈবনি। এয়র মার্সেল অসি লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা পারম ভিসিস সেবা মেদল অমসুং আতি ভিসিস সেবা মেদল ফংখ্রবা ওফিসরনি। ভাইস চীফ ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহাক্না নেসনল ৱার মেমোরিএলদা চৎতুনা লৈবাক অসিগীদমক চিংনবা লৈতনা মথ্বায় থাখ্রবা ফাইটরশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎখি। ভাইস চীফ ওইনা চার্জ লৌরবা মতুং মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুক ঙাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। লৈবাক অসিগী হে শিংলবা অমদি থৌনা লৈরবা নহা কয়ানা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা ওফিসর ওইনা চঙলকপা উবদা মহাক হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা পোকই। মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সসু মপাঙ্গল কনবশিংগী মনুংদা চনবা ঙল্লে হায়রি।



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref : Mut. Case No. 46 of 2023**

1. Paonam Martin Singh S/o (L) Mani Singh of Ghari Makha Leikai.
2. Paonam Sanjoy Singh S/o (L) Mani Singh of Ghari Makha Leikai.
3. Paonam Suresh Kumar S/o (L) Mani Singh of Ghari Mayai Leikai.
4. Paonam Ningthem S/o (L) Mani Singh of Ghari Mayai Leikai.

-Petitioners

-Vs-

(L) Mongjam (N) Paonam (O) Shantibala Devi D/o (L) Imo Singh of Sangaiprou Mamang Leikai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 31st January 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 45-Sangaiprou পাট্টা নং 412 (অরিবা) 1860 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 95 (অরিবা) 2103 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.18428 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 08/02/2023 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/5861/02

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - IV, Govt. of Manipur**

**Ref :- Mutation Case No. 28/AS&SO/IV Date: 18/1/2023**

1. Sk. Mujahid S/o Md. Abdul Karim of Haoreibi Turel Ahanbi.
2. Sheibh Maaz Ahamad S/o Abdul Karim of Haoreibi Turel Ahanbi.
3. Md. Hesamuddin S/o (L) Md. Alimuddin of - do - of - do -
4. Sajida Shani D/o Md. Hesamuddin of - do -
5. Md. Amjad Khan S/o (L) Alimuddin of - do -
6. Wasila Begum W/o Md. Amjad Khan of - do -
7. Md. Abdul Kalam S/o (L) Alimuddin of - do - of - do -
8. Nazima W/o Md. Abdul Kalam of - do - -1st Parties

-Vs-

1) (L) Alimuddin S/o (L) Rahimuddin of Haoreibi Turel Ahanbi.
2) (L) Kayamuddin S/o - do - of - do -
3) Md. Nijamuddin S/o - do - of - do - -OP Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

25/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ১৫-হাওরৈবী পাট্টা নং ৭৬৮ অরিবা, ৩১০ অনৌবা, দাগ নং ১১৩৯ অমসুং ১১১৩ গী এরিয়া .৭১ একর অমসুং .৫৫ একর লম অসিদা মু. অলিমুদ্দিন পীং মৃ: রাহিমুদ্দিন সাং হাওরৈবী তুরেল অহনবী (২) কয়ামুদ্দিন (৩) নিজামুদ্দিন পীং মৃ: রাহিমুদ্দিন সাং হাওরৈবী তুরেল অহনবীগী মীংদা হৌজিক Record তা পান্দুনা লৈ। অদুবু Co-Pattadar No. 1 ওইরিবা অলিমুদ্দিন পীং মৃ: রাহিমুদ্দিন অসি শিখ্রে অমসুং Co-Pattadar No. 2 Kayamuddin S/o - do - অসি শিখ্রে। মৃত ওইখ্রবা Alimuddin ওইফম থোকপা পাট্টাগী মনুংদগী দাগ নং ১১১৩ গী এরিয়া .৫৫ একর মখৈ অসি Petitioner শিংগী মীংদা নামা পানবীয়ু হায়না ASO/IV গী Court তা application থারক্লে। মৃ: কয়ামুদ্দিন নুপী থিরমদে। Co-Pattadar No. 1 & 2 লম শরুক লৈত্রে। কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিং লম অসিগী মরীদা য়েৎনিংবা লৈরবদি ফোঙখিবা চেফোং নুমিৎ ৭ তরেৎনিগী মনুংদা অইবা চেনা ASO/IV Court তা application থাগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌরোই Court কী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-IV

HL-P/5853/02

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

**Ref :- 9/SDO/LIL/Cert/2015 (pt)/104** **Dated, the 1st Feb. 2023**

Badarol Begum W/o (L) Md. Bashir Ahamad of Keibung Mathak Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Lilong the 1st Feb. 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Badarol Begum W/o (L) Md. Bashir Ahamad of Keibung Mathak Leikai, P.O. & P.S. - Thoubal, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপত্তি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/5922/02

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

**Ref :- 9/SDO/LIL/Cert/2015 (pt)/100** **Dated, the 31st Jan. 2023**

Smt. Manijan Bibi W/o (L) Md. Alimuddin of Lilong Turel Ahanbi.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Lilong the 1st Feb. 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Smt. Manijan Bibi W/o (L) Md. Alimuddin of Lilong Turel Ahanbi, P.O. & P.S. - Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপত্তি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/5922/02

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

**Ref :- 9/SDO/LIL/Cert/2015 (pt)/105** **Dated, the 1st Feb. 2023**

Leirang W/o (L) Mohd. Riyajuddin of Lilong Turel Ahanbi.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Lilong the 1st Feb. 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Leirang W/o (L) Mohd. Riyajuddin of Lilong Turel Ahanbi, P.O. & P.S. - Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপত্তি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/5922/02

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: OINAM**

**Ref :- R.R. No. 15/SDO/NBL**

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 01/02/2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি Ningthoujam Nirupama D/o (L) N. Binoi Singh of Leimaram দা লৈবনা থারকপা দরখাষ্ট Legal Daughter Certificate গী মতুংইন্না Km. Nirupama Devi অসি লৈখিদ্রবা N. Binoi Singh গী অশেংবা মচানি হায়বগী মতাংদা কনাগুম্বনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপিরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Oinam

HL-P/5860/02

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 32/SDC/Bishnupur, 2023**

1. Haorokcham Ratan Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Bishnupur Thiyam Leikai Ward No. 8.
2. - do - Naobi Devi W/o Ratan Singh of - do -
3. - do - Rajen Singh S/o (L) Ibotombi Singh of - do -

-Petitioners

-Vs-

(L) Haorokcham Ibotombi Singh S/o (L) Giri Singh of Bishnupur Awang. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 01-02-2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Haorokcham Ibotombi Singh S/o (L) Giri Singh of Bishnupur Awang দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 37-Bishnupur পাটা নং 459 (অরিবা) 589/1819 (অনৌবা) সি:এস:দাগ নং 1511/4155 গী 0.155 Acre চাওবা ইঙ্খোল অসি পাটাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপত্তি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Bishnupur

HL-P/5856/02

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 31/SDC/Bishnupur, 2023**

Alice Danla D/o Thangsong Danla Chiru of Dolang. -Petitioner

-Vs-

(L) Thangsong Chiru S/o (L) Danroshing Chiru of Dolang. -OP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 01-02-2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Thangsong Chiru S/o (L) Danroshing Chiru of Dolang দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 37-Bishnupur পাটা নং 135 (অরিবা) 111/964 (অনৌবা) সি:এস:দাগ নং 1196 গী 0.20 out of 0.45 Acre চাওবা ইঙ্খোল অসি পাটাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপত্তি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Bishnupur

HL-P/5856/02

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 36/SDC/Bishnupur, 2023**

Sapam Babu Singh S/o (L) S. Apamba Singh of Bishnupur Ward No. 2. -Petitioner

-Vs-

(L) Sapam Apamba Singh S/o (L) Khomei Singh of Bishnupur Ward No. 2. -OP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 01-02-2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Sapam Apamba Singh S/o (L) Khomei Singh of Bishnupur Ward No. 2 দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 37-Bishnupur পাটা নং 427 (অরিবা) 524 (অনৌবা) সি:এস:দাগ নং 2226 গী 0.51 Acre চাওবা ইঙ্খোল অসি পাটাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপত্তি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Bishnupur

HL-P/5856/02

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mutation Case No. 24/SDC/NBL of 2023**

Oinam Tombi Singh S/o Ibopishak Singh of Leimapokpam Mayai Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Oinam Manaoton Singh S/o Ibopishak Singh of Leimapokpam Mayai Leikai. -O.P

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dtd. 01/02/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12-Leimapokpam গী (1) Patta No. 1180/1910 (New) Dag No. 588 Area 0.63 acre Class Taothabi অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/5860/02